থাঙ-তা নুমীৎ থাবুম থৌরমগী শরুক অমা ওইনা থাঙ-তা ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা সলাই কলচরেল থাঙ-তা একাদেমী ৱাইতোননা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা শিৎ শেংবা অমদি উ চারা থাবগী থৌরম

মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়নশিল্লোল অপূনবা লূপ (মীলাল)গী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মীলালগী জেনরেল সেক্রেটরি হুইরেম লোইখোম্বা মীতৈনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবা

খা মণিপুর কোলেজ ককচিংগী এন এস এস য়ুনিট ৱান অমসুং টুনা শীন্দুনা য়ুথ ফোর ক্লিনলিনেস হায়বা থীমদা চথরক্লিবা রেসিদেন্সিএল এন এস এস স্পেসল কেম্পকী শরুক অমা ওইনা ককচিং কৈথেল অমসুং মন্তক্তা শিৎ শেংখিবা

NATIONAL SERVICE SCHEME (NSS)
N.S.S. UNIT I AND II
NOT ME

মণিপুর পুলিসকী ১৩০শুবা মপোক নুমীৎ থৌরমগা মরী লৈননা ককচিংগী এস পি ভিক্টোরিয়া য়েংখোমগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী পুলিস পর্সনেলশিংনা মীয়ামদা অথুম অহাও অমদি ফেস মাস্ক য়েন্থোকখিবা

ইবুধৌ থাংজিং হরাওবা উৎকনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা শীনবা ৪৯শুবা ওল মণিপুর শুমাং লীলা ফেষ্টিভেল ২০২০-২১গী নুপী লীলা চাংদম্নবগী নীনি চনবা নুমীৎ ওক্টোবর ২০গী অহানবা সো ওইনা নুমীৎয়ুংবা পুং ১২ তাবদা ইম্ফাল ঠিএটর মণিপুরগী মোইরাং পর্ব্ব লীলা 'ইবুধৌ থাংজিং হরাওবা' শুমাং লীলা শঙলেন পেলেস কম্পাউন্দদা উৎচগনি। লীলা অসি লোইতোংবম দোরেন্দ্রনা ইবা অমসুং দিরেক্সন পীবনি। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা নুপী লীলা য়েংবীবগীদমক্তদি এন্ট্রি ফ্রি ওইহনবীরি হায়না ইম্ফাল ঠিএটর মণিপুরগী সেক্রেটরি এল দোরেন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

মীৎয়েং চঙবীয়ু

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুংদা লৈবা চনুং খুলগী লৌ অয়াম্বা ঈশিং ৱাৎপনা মরম ওইদুনা লৌ শাৎপা ঙমদ্রে। মরম অদুনা লৌমী অয়াম্বা ফৌ লোক্তবগী ফীভমদা লৈরে। য়ু পি এফ চনুং লোকেল কাউন্সীলগী মায়কৈদগী লৌপুশিংনসু লৌসাল লৌবীদনবা হায়জরি। লোয়ননা লৌফম শিৎলবা লৌফমশিংদা নিংথম মরু-মরাং পীবীননবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) চনুং লোকেল কাউন্সীলগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এন থোইবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কাউন্সেল্লিংদা শরুক য়ানবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস): একাদেমীক সেসন ২০২১-২২গী ওইনা সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি ইম্ফালগী মখাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা কোলেজশিংদা বি এস সী এগ্রি, বি টেক এগ্রি এঞ্জিনিয়রিং, বি টেক ফুদ টেক্নোলোজি, বি এস সী কম্যুনিটি সাইন্স অমসুং বি এস সী ফুদ ন্যুত্রিসন এন্দ দাইটেক্টিক্স তম্নবা দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচর মণিপুরনা ষ্টেট নোমিনি খন্ননবা ওক্টোবর ১৭তা পাঙথোকখিবা কম্বাইন্দ রিটন টেষ্ট এগজামিনেসনগী রিজল্ট লাউথোকখ্রে। খল্লবা কেন্দিদেটশিংনা লাক্লিবা ওক্টোবর ২১গী অয়ুক পুং ১১দগী নুংথিল পুং ২.৩০ ফাওবা সঙ্গেইথোংদা লৈবা দিরেক্টোরেট ওফ এগ্রিকলচরগী ফার্মরস ট্রেনিং হোলদা পাঙথোক্কদৌরিবা কাউন্সেল্লিংদা শরুক য়ারননবা খঙহল্লি। কাউন্সেল্লিং য়াওবা লাকপা মতমদা মরী লৈনবা চে-চাং অমদি বেঙ্ক পাস বুক্কী ফোটো কোপী লোয়নরক্কদবনি। অকুপ্পা মরোল দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচরগী ওফিসল ৱেবসাইট নৎত্রগা নোটিশ বোর্দতগী ফংগনি হায়নসু এগ্রিকলচরগী দিরেক্টর এন গোজেন্দ্রোনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমনা খঙহল্লক্লি।

মণিপুরী শৈরেংগী নুমীৎ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস): ফিক্সন এন্দ পোইট্রি ক্লব, মণিপুরনা শীন্দুনা লাক্লিবা ওক্টোবর ২০দা মণিপুরী শৈরেং নুমীৎ থৌরম পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসিদা মহাকবি অঙাংহল শৈরেং মনা ২০২০ লাম্থোক্কনি অমদি শৈরেং লাইরিক অনীসু ফোঙগনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোক্কনি হায়না ফিক্সন এন্দ পোইট্রি ক্লব, মণিপুরগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

এৱেয়র্নেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি ঐখোয় পুন্না থিংমিন্নগনি হায়বা ৱাখল্লোন্দা সেলিন দিজিটেলনা শীন্দুনা ঙসি কোভিদ-১৯গী এৱেয়র্নেস কম পোষ্টর কেম্প্যেন ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লম্লোং কৈথেলদা কোভিদ-১৯গী পোষ্টর মীয়ামদা য়েন্থোকপগা লোয়ননা কৈথেলগী অকোয়বদা পোষ্টর কয়া নপুনা পাঙথোকখ্রে হায়না সেলিন দিজিটেলগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অনৌবা অওনবা অমসুং ৱাত্ত-পাদবা ককচিং এ সী ওইহল্লসি : কেন্নেদি

WE SUPPORT KENNEDY

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস): অনৌবা অওনবা অমসুং ৱাত্ত-পাদবা ককচিং এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অমা ওইহল্লসি হায়না কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোল্লবা য়াই হায়না পান্নরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী ইলেক্সনদা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী)গী মীরেপ অমা ওইননবগীদমক শেম শারিবা কে এস ঐচ কেন্নেদি, ফিলান্থ্রোপিস অমসুং পোলিটিকেল এক্টিভিটিজ (আই এন সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট)না ফোঙদোরক্লি।

ঙসি ককচিং এ সীগী তোঙান তোঙানবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা লাকপা নহা অমদি মীওই কয়ানা শরুক য়াদুনা কে এস ঐচ কেন্নেদিবু মায় পাকহন্নবা পান্দমদা পাক শন্না মীখলগী কেম্প্যেন হৌদোকপা থৌরমদা কেন্নেদিনা হায়খি, ককচিং এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা হকশেলগী, ঈথৈ-লৌখোংগী, লম্বী-থোংগী, চেঙ, চিনিগী অৱাৎ-অপা কয়ানা থল্লবা এ সী অমা ওইদুনা লৈরক্লিবা অসি মেনখৎতুনা অনৌবা অহোংবা, চাউখৎপা, ৱাত্ত-পাদবা ককচিং এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অমা ওইহঞ্জগে খঞ্জদুনা মীখল অসিদা মীরেপ ওইনবা থোকচরকপনি। ককচিং এ সী অসিগী পল্লেল, বিজয়পুর, সোরা, ইরেংবন্দ, হৱাইরৌ, মাইরেনবম অমদি ককচিংদা লৈরিবা মীয়াম্না মহাকপু শৌগৎপীদুনা আই এন সীগী মীরেপ অমা ওইহনবীদুনা মীখল অসিদা মায় পাকহনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

অহল ৩৩০দা হিদংময়ুম শ্যামকেশোর শর্ম্মা ওল্ড এজ পেন্সন য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস): মোইরাং এ সীগী মনুংদা লৈবা অহল ওইরবা মীওই ৩৩০দা হিদংময়ুম শ্যামকেশোর শর্ম্মা মেমোরিএল ওল্ড এজ পেন্সন ঙরাং মোইরাং এ সী প্রোগ্রেসিভ ফ্রন্ট (এম কে পি এফ)কী মোইরাং ফিলেম লৈকায়দা লৈবা ওফিসতা ফ্রন্ট অসিনা শীন্দুনা লাক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী ইলেক্সনদা এন পি পিগী মরেপ ওইনবা শেম-শারিবা থোঙাম শান্তিনা য়েন্থোকখ্রে।

পেন্সন য়েন্থোকখিবা অদু হিদংময়ুম গিরিকান্ত শর্ম্মানা স্পোন্সর ওইদুনা অহানবা ফেজকী ওইনা চৎলিবা থা ওক্টোবর, নবেম্বর অমদি দিসেম্বরগী ওইনা অপুনবা শেনফম অমদি পেন্সন কার্দ য়াওনা য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা এন পি পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট থোঙাম শান্তি, এম কে পি এফকী পোলিটিকেল চীফ এদভাইজর ৱাই মোধু অমদি মোইরাং এ সীগী এন পি পিগী মরুওইবা লুচিংবশিংনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা টি ঐচ শান্তিনা হায়খিবদা, মীয়ামগী অপাম্বগী মতুংইন্না ভোট খোম্বদা ঐগা লম্বা পান্নরিবা মীওইশিংবু হুন্দুনা ৱা ঙাংলোই। ঐগী এন পি পিগী সিম্বোলদি লাইরিক য়েকপনি। ইবুধৌ থাংজিংনা চানবীদুনা ঐনা মায় পাল্লবদি চহী ৬০ হেল্লবা অহলশিং লৈঙাক্না পীবা পেন্সন ফংহৌদ্রবশিংবু লৈঙাক্না পীরিবা পেন্সনগী শেনফমগা মান্নবা পেন্সন পীগনি। ঙসি পীরিবা পেন্সন অসি ঐগী ইচাগুল্লবা মশাগী শেন্থোক লম্বী লৈরবা অঙাং অমনা ঐনা মোইরাং এ সীগী মীয়ামগী তৌজরিবা থবক থৌরম ময়াম অসি উবদগী মহাক্না ঐগী মতেং তৌজগে হায়রকপদগী ঐনা মঙোন্দা অহল ওইরবা মোইরাং এ গী অসিগী লৈঙাক্না পীবা পেন্সন ফংহৌদ্রবা মীয়ামগী পেন্সন পীবীয়ু হায়বদগী মহাক্না অচঙবা শেনফম পুথোকপীদুনা পেন্সন অসি য়েন্থোকচবনি হায়না টি ঐচ শান্তিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

শিৎ-শেংখ্রে, উ চারা থাখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস): কিমাক্সকী মীৎয়েং মখাদা থাঙ-তা দে ওবজার্ভেসন কম্মিটিনা থাঙ-তা ফোর সোসল চেঞ্জ হায়বা পান্দমদা হৌখিবা ওক্টোবর ১৬তগী হৌদুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিং অমদি থাঙ-তাগী ইন্সটিট্যুসনশিংদা থাবুম অমা চুপ্পা চথুগদবা থাঙ-তা নুমীৎ থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু লম-তূ শিৎ-শেংখ্রে, উ চারা কয়া থাখ্রে হায়না থাঙ-তা দে ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী মীদিয়া কনভেনর এল সৈত্যমজিৎ মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থাঙ-তা নুমীৎ থাবুম থৌরমগী ঙসি মরিনি চনবা নুমীৎ অসিদা থাঙ-তা দে ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা সলাই কলচরেল থাঙ-তা একাদেমী ৱাইতোননা শীন্দুনা ৱাইতোন মমাঙ লৈকায় য়ুথ দিভেলপমেন্ট কাউন্সীল অমদি লৈকায়গী শিংলুপকী অহল-লমনশিংনা থাঙ-তাগী শান্নফমগীদমক কৎপীবা লম অদুদা ৱাইতোন জি পিগী প্রধান পুখ্রম্বম সুরবালা, উপ-প্রধান ঈ প্রেমজয়, ৱার্দ মেম্বর কোন্থৌজম বিজয়, ৱার্দ মেম্বর কোঞ্জেংবম তবাবী, ৱাই দি সীগী প্রসিদেন্ট মাইবম ওপেন্দ্রো, সলাই থাঙ-তা কলচরেল একাদেমীগী শিন্তাকপুরেল মাইবম সুর্যবোরো, কিমাক্সকী থৌমীশিং, থাঙ-তা দে ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী মেম্বরশিং অমসুং থাঙ-তাগী শান্নরোয় কয়ানা পুন্না লম-তূ শিৎ শেংবা অমদি উ চারা থাবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱাইতোন জি পিগী প্রধান পুখ্রম্বম সুরবালানা ফোঙদোকখিবদা, ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংনা নত্তবা লম্বীদা চৎখিগদবা অদু ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরল্লিবা ইশা ঙাকথোকচবা অমদি অফবা মতিক চাবা মী অমমম ওইননবা লম্বী য়াৎপদা অচৌবা মতেং ওইরিবা মহৈ অসিদা মায় ওনশিন্দুনা মতিং লৈবা খুন্নাই অমা শেম্বদা থৌদাং লৌমিন্নরসি। থাঙ-তাগীদমক ৱাইতোন গ্রাম পঞ্চায়টনা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি অমদি লৌবা য়াবা থৌদাং কয়াসু লৌগনি হায়খি।

এৱেয়র্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস): য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম), মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম সী পি সী আর), ইন্টরনেসনল পিছ এন্দ সোসল এদভান্সমেন্ট (ইপসা), জিরি দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (জে দি ও), জিরি ইমা মৈরা পায়বী অপূনবা লূপ (জিম্পাল) অমদি জিরিবাম ইমা ৱিমেন এসোসিএসন ওফ কংলৈপাক (জিমৱার্ক)না পুন্না শীন্দুনা সেফ্টি ওফ চিলদ্রেন ইন পোষ্ট কোভিদ-১৯ হায়বা হীরমদা এৱেয়র্নেস প্রোগ্রাম অমা ঙরাং জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লমতাই খুনৌ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা জিরিবামগী এদিসনল এস পি, ঐচ বাসুলাল, য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজম, জিম্পালগী প্রসিদেন্ট অতোম অশংবী, জিমৱার্ককী প্রসিদেন্ট থাংজম জিনি, জে দি ওগী প্রসিদেন্ট এন সদানন্দ মৈতৈ, ইপসা জিরিবাম ব্রাঞ্চকী জেনরেল সেক্রেটরি ইবোহল শর্ম্মানা মথংশিংৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা এদিসনল এস পি বাসুলালনা হায়খি, অঙাংশিংবু সোসল্লি, মেন্টল্লি অমদি ইন্টলেকচ্যুএল্লি ঙাকপী শেনবীবা মথৌ তাই। মখোয়বু মশা-মউ ফনা থম্নবা অমদি ঙাকপী শেনবীননবা ঐখোয় পুম্নমক্না থৌদাং লৌসি। অঙাংশিংবু ঙাকপী শেনবীননবা এক্ট কয়া লৈরি হায়বসি খঙমিন্নসি হায়খি।

থৌরমদুদা য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা হায়খিবদা, য়ু সী এমনা জিরিবামগী লমতাই খুনৌদা জে দি ও অমদি ইপসাদা শীন্নদুনা মৈরা শঙ অমা শারগনি। জিরিবামদা লৈরিবা স্কুলশিংদা ওজা লৈতে হায়রিবা অসিগী মতাংদসু এদ্যুকেসন (এস)কী দিরেক্টর অমদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগা উনদুনা ৱারী শারগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ইন্সটিট্যুসনল ইথিক্সকী ৱাংমদনি : মীলাল

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টনা লৌবা এম এ মণিপুরী তম্নবগী চাংয়েং হৌখিবা ওক্টোবর ১৭কী নুংথিল পুং ১.৩০দা পাঙথোক্কদবা অদু নুংথিল পুং ৩ তারবা ফাওবা করিগুম্বা অমত্তা মহৈরোয়শিং অমদি মখোয়গী অহল-লমনশিংদা হায়দনা তুমীন্না লৈবা হায়বসি ইন্সটিট্যুসনল ইথিক্সকী ৱাংমদনি। মসি মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী করম্বা থৌওংনো হায়না মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়নশিল্লোল অপূনবা লূপ (মীলাল)গী জেনরেল সেক্রেটরি হুইরেম লোইখোম্বা মীতৈনা ফোঙদোরক্লি।

মীলালগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা হুইরেম লোইখোম্বা মীতৈনা হায়খি, হৌখিবা চহীদসু অসিগুম্বা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টতা তোয়না থোকপা, ক্বেসন লিক ওইবনচিংবা থোকহন্নিংদবা থৌদোক ৱাথোক কয়া থোরক্লি। মণিপুরী দিপার্টমেন্ট অসি মপু পান্দবগুম তৌই। মমাঙদসু চপ মান্নবা শোয়খিবা লৈরবনিনা মমাঙগী শোয়খিবদুদা চাংদম্নরগা শোয়দনবা হোৎনবীরম্লবদি লৈবাকমীয়াম অমদি মীলালনা অৱাংবা থাক্তা থাগৎপা ফোঙদোক্লমগনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এগজাম খূদিংমক লৈঙাক্না চৎনখ্রবা লোনচন (স্পেলিং গাইদলাইন)দা বেজ তৌবীরগা শেম্বীগদবনি। কনফিদেন্সিএল ওইরবা ৱাহংশিং অদু মহৈরোয়শিংগী মীৎয়েংগী তুং ইন্না লোনচন লান্না শেম্বা য়াওরবদি লান্না শেল্লিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ওজা অদুগী মথক্তা মীলালনা অকনবা মীৎয়েং চঙনবা শেম-শারগা মতম চুপ্পদা লৈরি হায়বসিমসু কাউবীদবা ফৈ। মখা তানা মীলালগী মায়কৈদগী থমজ নিংবা ৱাফমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী অনীশুবা সেমিষ্টরগী তম্নবা লাইরিক ফংদে হায়দুনা মহৈরোয়শিংনা মীলালদা ৱাকৎলকপসু লৈরে। মসিদা মীলালনা তরাইনা লৌদে। মরম অসিনা অথুবা মতমদা ফংদ্রিবা লাইরিক অসিগী মতাংদা এম এ মণিপুরী অনীশুবা সেমিষ্টরগী এগজামদা য়াওহনবা য়ারোই।

অমরোমদা, ১২রকশুবা এসেমব্লী মীখলনা লাকপদা মীলালনা তরাম্না ওকচরি। হৌখিবা চহীশিংদসু লৈবাক মীয়ামদা থমজদুনতা লাক্লবা ৱাফমনি। অসিগুম্বা য়াম্না মরুওইবা মীখলসিগী মীরেপ ওইবীরিবা, ওইবীরিবীশিংগী মফমদা অমুক্কা নীংশিংজরি। মদুদি লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা শীজিন্নগদৌরিবা বেগ দ্রোপ, বেন্নর, পোষ্টরনচিংবশিংদা ইপা-ইমাগী শক্তম লাংলিবা ঐখোয়গী লোল ময়েক অসিবু থাবীদবা অমদি শীজিন্নদবা কয়া থেংনজে। মরম অসিনা মীতৈ ময়েক থাদবা মীখলদা শীজিন্নগদৌরিবা চে-চাং খূদিংমক অথুবা মতমদা ইমালোল অমত্তা য়াওহনবীয়ু, থাবীয়ু হায়না ঙসিগী লৈঙাক অমদি নৌনা থোরক্লিব মীরেপশিংগী মফমদা মীলালগী মায়কৈদগী নোল্লুকচরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পাউখোল্লোয়না নিঙোল চাক্কৌবা নুমীৎতা লেম্না নিঙোল মপামদা থিল্লগনি : রতনজিৎ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস): চথোক-চৎশিন্দা গাড়ীগী প্রোব্লেম লৈবা অমদি খুদোংচাদবশিংগীদমক্তা য়েংলগা পাউখোল্লোয়না লাক্লিবা নিঙোল চাক্কৌবা অসিদা লেম্না নিঙোলশিং মপামদা থিল্লগনি হায়না সাইখোম ইন্টরপ্রাইজেসকী য়ুনিট অমা ওইরিবা পাউখোল্লোয়গী প্রোপ্রাইটর সাইখোম রতনজিৎনা ফোঙদোরক্লি।

রিমস রোদতা লৈবা সাইখোম ইন্টরপ্রাইজেসকী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা রতনজিৎনা হায়খি, পাউখোল্লোয়গী পার্টনর ওইরিবা দ্রাইভরশিংগী গেট টুগেদর মীট অমা হৌখিবা ওক্টোবর ১৭তা হোটেল দানি কন্টিনেন্টেলদা পাঙথোকখি। নুমীৎ অসিদা পাউখোল্লোয় অমদি দ্রাইভর ১০০/১০০ লৈবা ঈ-রিক্সোগী এসোসিএসন অনী হায়বদি সঙাই অমদি ইমোইনুগী মরুওইবা মীওইশিং শরুক য়াখি। মীফম অদুনা লাক্লিবা নিঙোল চাক্কৌবা নুমীৎ অসিদা মপামদা চৎননবা হোৎনবদা গাড়ীগী প্রোব্লেম লৈবা নিঙোলশিংবু লেম্না মপামদা থিনবা হায়না ৱারেপ লৌরে। পাউখোল্লোয়না পীজগদৌরিবা নিঙোলশিংগী ফ্রী-রাইদ সর্ভিস অসি হন্দক চহীগী ওইনদি ইম্ফালদগী কিলোমিটর ৫/৬কী রেসিয়সতা লৈবশিং খক্তদা পীজগনি। অয়ুক্কী পুং ৯ অমসুং ১০ তাবা মতমদা নিঙোলশিংবু মপামদা থিনগনি। অদুগা কেব সর্ভিসকী চাদা ৫০ দিস্কাকাউন্ট পীজগনি। নিঙোলশিংদা পীজরিবা খুদোংচাবা অসিগীদমক ওক্টোবর ৩০ অমসুং ৩১দা প্রি-বুকিং তৌবীননবা কন্টেক্ট নম্বর ৯৩৬২৮৪২৪৬৪ নৎত্রগা ৮৯৭৪০১০১১৭তা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি। চহী খূদিংগী নিঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা পাউখোল্লোয়না ফ্রী-রাইদ সর্ভিস অসি পীজগনি। মথং চহীদদি হায়রিবা সর্ভিস অসি মণিপুর শিনবা থুংনা পীবা ঙম্ননবা মীয়াম্না পাউখোল্লোয়বু শৌগৎপীয়ু অমসুং মতেং পাংবীয়ু হায়না মহাক্না আপীল তৌখি।

ইমোইনুঈ-রিক্সো এসোসিএসনগী সেক্রেটরি কৈশাম শরতকুমারনা হায়খি, পাউখোল্লোয় অসি শেনদাংগী য়েংলগা থবক তৌবা নত্তে। দ্রাইভরশিংগীদমক্তা খনবীরগা সর্ভিস অসি মীয়ামদা ফংহনবনি। লাইন চেনবা মতমদা পেসেঞ্জর ফংবা ফংদবগী প্রোব্লেম অদুম থেংনৈ। অদুনা লাইন চেল্লিবা অসিগী মথক্তা পাউখোল্লোয়না অতোপ্পা সর্ভিস অমা পীবীরগা দ্রাইভরশিংদা হেন্না কান্নবা পীবীবনি। অদুনা লমদম অসিদা লৈরিবা দ্রাইভর এসোসিএসনশিংনসু পাউখোল্লোয়দা রেজিষ্টর তৌশিনবীদুনা অমত্তা ওইনা মীয়ামদা অফবা সর্ভিস পীসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাওনম ব্রোজেনবু মায় পাকহন্নবা মহিলা মোর্চাগী মীফম্না ৱারেপ্পখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস): বি জে পি ৱাংজিং তেন্থা মন্দলগী মহিলা মোর্চাশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙরাং এ সী অসিগী এম এল এ পাওনম ব্রোজেননা চীফ গেষ্ট ওইরগা মন্দলশিংগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুনা ৱাংজিং তেন্থা এ সীদা এম এল এ পাওনম ব্রোজেননা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংশিং অসি য়েংলগা মহাকপু অমুক হন্না এ সী অসিগী এম এল এ ওইনা থাগৎনবা এ সী অসিগী মহিলা মোর্চাশিংনা কন্না হোৎনবা হায়বা মোত অমত্তা ওইনা ৱারেপ লৌখি।

বি জে পি ৱাংজিং তেন্থা মন্দলগী মহিলা মোর্চানা শীল্লগা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এম এল এ পাওনম ব্রোজেননা হন্দক্কী ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী মীখল অসিদা বি জে পিগী এম এল এ ৩৫দগী তাদনা মায় পাক্নুনা বি জে পি খক্তগী ওইবা মরা চেৎপা লৈঙাক অমা শোয়দনা লাক্লগনি হায়খি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী অনীশুবা লৈঙাক অমা লিংদুনা ৱাংজিং তেন্থা এ সীসু য়াম্না তমজনিংঙাই ওইবা এ সী অমা ওইনা শেমগৎ শাগৎপা ঙম্নবা মীয়াম্না বি জে পিবু অমদি মহাকপু নুংশিবীয়ু হায়খি। এম এল এ পাওনম ব্রোজেননা বি জে পি মহিলা মোর্চনা পার্টি অসি মপাঙ্গল কন্নবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাং কয়াবুসু শীংথাখি।

বি জে পি মহিলা মোর্চাগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট লোতীকা লৈমনা হায়খি, বি জে পিদি য়াম্না য়ুম্ফম চেৎপা পোলিটিকেল পার্টিনি। লৈবাক মীয়াম্না নুংঙাইনা হিংজনবা থৌরাং কয়া লৌখৎপা অসিনা পার্টি অসিগী ফীদমনি। কথোকপা অমসুং থৌগল তৌবা হায়বা ৱাখল্লোন অসিনা মাঙ থারগা বি জে পিনা মীয়ামগা চৎমিন্নরি। অতোপ্পা পার্টিদগী বি জে পিগা খেৎনরিবা অসি মীয়ামগী য়াইফন্নবা থবক তৌবদনি হায়খি।

মীফম অদুদা ৱাংজিং তেন্থা মন্দলগী বি জে পি মহিলা মোর্চাগী প্রসিদেন্ট এন অনন্দি, মহিলা মোর্চাগী ইন-চার্জ এল মীনা, মহিলা মোর্চা বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট এল দময়েন্তি, বি জে পি ৱাংজিং তেন্থা মন্দলগী প্রসিদেন্ট ও সুনিল, সেক্রেটরি পি প্রেমকুমারসু শরুক য়াখি।

মেরা থাবুং থানিল নুমীৎতা অপোকপা লুক্লেন কৎপীয়ু : মীতৈ মরুপ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস): মীতৈ য়ুমথোঙ খূদিংনা মেরা থাবুং থানিল নুমীৎতা অপোকপা লুক্লেন কৎপীয়ু হায়না মীতৈ মরুপ মীতৈ লৈবাক্কী সেক্রেটরি জেনরেল অঙোমচা সেরাম গোজেন্দ্রো মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মীতৈ ফুরুপপু হিন্দু লাইনিং নমদুনা চৎহন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা লৈবাক নিংথৌগী থাক্তা চহী খূদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্লরম্বা মেরা নোংমা পানবদগী ইমা লৈমরেল শিদবী অমদি লাইনিংথৌ সনামহীদা চেঙবী চেঙবা হৈজদুনা মেরাগী থাবুং থানিল নুমীৎতা তেংবানবা অমদি মালেম তাইবংপানববু শেম্বীরিবা থক্তা কনা লৈত্রবা মদোম ওইবা পোক্লেন পোকপা শাৎলেন শাৎপা ইপুরোই অপোকপদা লুক্লেন কৎচদুনা তেংবানবা অমদি মালেম তাইবং পানবগী য়াইফনবগীদমক থৌনিজরম্মী। অদুবু মতমগী অওনবা নোংলৈ-নুংশিৎকী ঈরোন্নুংদা চহী চুপ্পা লুপ্পুরবা মতুং কুমজা ১৯৪৫দা লাইনিংহল নাওরিয়া ফুল্লো (ফুন্দ্রে)গী ৱাখুল পোম্মিৎ মখাদা মীতৈ লৈবাক্তা পুখ্রম্বম সুরচান্দ, পুখ্রম্বম ইবোমচা অমদি তখেল্লম্বম বোকুল অহল অহুম্না লুচিংদুনা মীতৈ মরুপ লিংখৎতুনা মেরা নোংমা পানবদগী চেঙ হৈদুনা, থাবুং থানিল নুমীৎতা অপোকপা লুক্লেন কৎচদুনা মীতৈ লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা থৌরম হোং-হোংদুনা থৌরম পাঙথোকচদুনা লাক্লি।

লাইবক থীবদি হৌজিক্কী মতমদা মালেমগী তমথীরবা লায়না লাইচৎ কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মমাঙ চহীদসু পাঙথোকচখিদ্রে। কুমশি চহীগী ওইনসু লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা পাঙথোকচররোই। মরম অদুনা মণিপুরগী মনুং অমসুং মালেমগী মফম কয়াদা চোইজাইননা তারিবা মীতৈ য়ুমথোঙ খূদিংনা লাক্লিবা মেরাগী থাবুং থানিল ওক্টোবর ২০দা ইমা লৈমরেল শিদবী অমদি লাইনিংথৌ সনামহীদা চেঙবী চেঙবা হৈবীদুনা অথেনপোৎ কৎপীদুনা ইপুরোই অপোকপদা লুক্লেন কৎপীদুনা থৌনিবীয়ু হায়না মীতৈ মরুপ মীতৈ লৈবাক্না নোল্লুকচরি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

বি জে পিদা নৌনা য়াওরক্লবশিং তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস): মোইরাং এ সীগী মনুং চন্না লৈবা পোল্লিং ষ্টেসন ২৭/৫ অমদি ২৭/৬ ফুবালা জি পিগী নরানসৈনা মমাঙ অমদি মনিং লৈকায়দগী হান্না তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিদা য়াওরম্বা নরানসৈনা ৱার্দ নম্বর ৭কী এক্স-মেম্বর নিংথৌজব সুবদনি য়াওনা মীওই ১৫না বি জে পিদা নৌনা চঙলকপদা মোইরাং এ সীগী এম এল এ, পি শরতচন্দ্রনা তরাম্না ওকখ্রে।

বি জে পি মোইরাং মন্দলনা শীন্দুনা মোইরাং ফাইরেনবম লৈকায়দা লৈবা মোদি ভবনদা পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা বি জে পি মোইরাং মন্দলগী প্রসিদেন্ট অব্দুল হমিদ, মন্দলগী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা হান্নগী কাউন্সীল্লর এন ইবোমচা, পি শান্তিকুমার অমদি নৌনা বি জে পিদা য়াওরক্লবা নরানসৈনা ৱার্দ নম্বর ৭কী এক্স-মেম্বর নিংথৌজম সুবদনিনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, মোইরাং এ সীগী মনুংদা লৈবা লৌমীগী লূপশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা প্রোগ্রেসিভ ফার্মরসকী মীওই ১১না বি জে পিদা য়াওরকপদা হরাও তরাম্না ওকপগী থৌরম অমসু মোইরাং ফাইরেনবম লৈকায়দা লৈবা মোদি ভবনদা পাঙথোকখ্রে।

বি জে পি মোইরাং মন্দলনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এম এল এ, পি শরতচন্দ্র, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা বি জে পি মোইরাং মন্দলগী ইন-চার্জ কে ঐচ লক্ষ্মন অমদি বি জে পি মোইরাং মন্দলগী প্রসিদেন্ট অব্দুল হমিদনা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা লৌমীশিংগীদমক এম এল এ শরতচন্দ্রনা ৱাটর পম্প সেট অমদি পাইপশিংসু লৌমীশিংদা খুৎশিন্নখি।

পিছ পোষ্টর কন্টেষ্ট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস): লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল চনুরানা কিন্দরগার্টেন মোন্টেশ্বরি স্কুল, সগোলবন্দ তাকয়েন কোলোম লৈকায়গা পুন্না শীল্লগা ঙসি পিছ পোষ্টর কন্টেষ্ট অমা কিন্দরগার্টেন মোন্টেশ্বরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে হায়না লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল চনুরাগী প্রসিদেন্ট লায়ন সগোলশেম প্রেমাবতিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অদুদা লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল চনুরাগী প্রসিদেন্ট এম জে এফ লায়ন এস প্রেমাবতি, প্রোগ্রাম চ্যেরপার্সন লায়ন আর কে সনাতোম্বী, লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল চনুরাগী সেক্রেটরি লায়ন লিম্থোই নিঙোম্বম অমসুং কিন্দরগার্টেন মোন্টেশ্বরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল ডা. এল ধনেশ্বরনা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা পিছ পোষ্টর কন্টেষ্ট অসিদা পুন্না মহৈরোয় ৩২না শরুক য়াখি হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস): মীতৈগা মরী লৈনবা অমদি মীতৈ কন্ননবা ঈহৌ শাগৎমিন্নরম্বা জিরিবাম সিকো মশা লোয়শঙগী মরুওইবা থৌদাং য়ারম্বা অমদি মশা লোয়শঙ অসিগী মতম শাংনা প্রসিদেন্টকী থৌ পুরম্বা কোংখাম গোপেন্দ্রনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকচরি হায়না সাউথ ইষ্ট এসিয়া কলচরেল ওর্গনাইজেসন (সিকো)গী সেক্রেটরি জেনরেল ইরেংবম ইন্দ্রজিৎ মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কোংখাম গোপেন্দ্র মতম পুম্নমক্তা মীতৈ কন্নিংবগী ইহুল, মীতৈ ইনাৎ য়োকখৎনিংবগী থৌনা লৈজবা ঈং-তপচবা মীতৈ পাথৌ অমনি। মহাক্না খঙহৌদনা লৈখিদবা অসি মীতৈ খুন্নাইগী চেন-চোংজরিবা সিকো অমদি পুম্নমক্কী ওইনা অচৌবা মাঙজবা অমনি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্না লৈরুনবগীদমক্তসু থৌনিজরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

য়ু সী ও বি আই দিগী নৌনা থৌপুগদবশিং ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস): য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন ওফ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট (য়ু সী ও বি আই দি)গী কুমজা ২০২১দগী ২০২৪ ফাওবগী নৌনা থৌপুগদবশিং ৱাশক লৌবগী থৌরম ঙরাং পাঙথোকখিবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংদোক্লিবা টাস্ক ফোর্সশিংদা য়াওরিবা ক্লব অমসুং ওর্গনাইজেসনশিংদা সাইটেসন পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে হায়না য়ু সী ও বি আই দিগী পব্লিসিটি টি ঐচ গোপেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, য়ু সী ও বি আই দিগী নৌনা থৌ পুননবা ৱাশক লৌখ্রবশিং অদুদি ৱাহেংবম বসন্তনা প্রসিদেন্ট, আর কে রবিনকান্তনা ৱার্কিং প্রসিদেন্ট, সলাম শান্তি লুৱাং, সলাম খেদা লুৱাং, থৌদাম জয়কুমার অমদি এম দি মুফিজুদ্দিননা ভাইস প্রসিদেন্টশিং, এল প্রেমজিৎনা জেনরেল সেক্রেটরি, হাওবিজম সনায়াইমা অমসুং আই প্রেমকুমারনা এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি, মুনাল খাননা ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি, সামোম বিরলা অমসুং হামোম নিংথেম খুমননা এসিষ্টেন্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি, গোপেন থোকচোমনা ফাইনান্স সেক্রেটরি, এম রামচন্দ্রনা এসিষ্টেন্ট ফাইনান্স সেক্রেটরি, এন প্রেমজিৎনা পব্লিসিটি সেক্রেটরি, নিংথৌজম রোমেনকুমার অমসুং থাও জোনি চোথেনা এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি অমসুং ওইনাম মেনাওনা ওফিস সেক্রেটরিনি। অদুগা মীওই ১৭না এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিং ওইনা ৱাশক লৌখি।

ৱাশক লৌবগী থৌরম অদু অমুকোগী হান্নগী প্রসিদেন্ট অমসুং এদভাইজর ডা. ৱাই মনি খুমননা ইলেক্সন কম্মিটিগী চ্যেরমেন ওইদুনা পাঙথোকখি। থৌরমদুদা বিষ্ণুপুরগী সী এম ও ডা. এম গ্যানেশ্বর, বিষ্ণুপুরগী দি এস ও ডা. এল রাইচন্দ্র, বিষ্ণুপুরগী দি এম ও ডা. টি ঐচ নবকিশ্বর, সী সী সী নিংথৌখোংগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. কে ঐচ সুনিলকুমার, অমুকোগী এদভাইজর এল রঞ্জিৎ, অমুকোগী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি সন্তোশ অকোইজম, য়ু সী ও বি আই দিগী প্রসিদেন্ট নোরেন্দ্রো থোকচোম, এম পি এল এগী প্রসিদেন্ট এন থম্বাল লৈমা, সোসল সাইন্টিষ্ট ডা. আই এস কোন্থৌজম, য়ু সী ও বি আই দিগী এদভাইজর কে ঐচ রাজেনকুমার, মণিপুরী এসোসিএসন ওফ কনাদাগী প্রসিদেন্ট ঐচ নবকিশ্বর, সাইক্লিষ্ট রোহন ফিলেম, য়ু সী ও বি আই দিগী লিগেল এদভাইজর ও সুভাসচন্দ্র অমসুং য়ু সী ও বি আই দিগী লিগেল এদভাইজর এল পর্মেশ্বরিনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।